## জুন ৩দগী ফ্রী ওইরগনি

রোম, মে ১৫ (এজেন্সি) :
গভর্নমেন্টনা কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন কোমথোক্লগা ফিভম শোকচিল্লক্লবা ইকনমি হিংগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবগা লোয়নন্না ইটালিদা জুন ৩ দগী লৈবাক শীন-থুনা চৎথোক-চৎশিন্দা অথিংবা লৈররোই হায়রি।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা এপ্রুভ তৌগদবা দ্রাফ দিক্রি অমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা লমদমশিংগী মনুংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা পুন্নমক মে ১৮ দগী য়াহল্লগনি অমসুং লমদম অমগা অমগগী মরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবদা থল্লম্বা অথিংবশিংনা জুন ৩দা লৌথোক্লগনি।

## দোলর ট্রিলিয়ন ৮.৮ মাঙহনবা য়াই

মনিলা, মে ১৫ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্না মরম ওইদুনা মালেমগী ইকনমিদা দোলর ট্রিলিয়ন ৫.৫ অমসুং দোলর ট্রিলিয়ন ৮.৮কী মরক্তা মাঙবগী ফিভম লাকহন্দুনা মালেমগী জি দি পিগী চাদা ৬.৪ দগীনা চাদা ৯.৭ ফাওবা মাঙহল্লবা য়াই হায়না ইরাই নুমিত্তা এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। এসিয়া অমসুং পেসিফিক্তা লাইচৎ অসিনা থা ৩ গী কন্টেনমেন মনুংদা দোলর ট্রিলিয়ন ১.৭ দগীনা দোলর ট্রিলিয়ন ২.৫ ফাওবা মাঙহনবা য়াই হায়রি।

# ট্রম্পনা সী জিন-পিংগা ৱারী শাননিংদে চাইনাগা মরী তৎনবা ফাওবা য়াই হায়খ্রে





ৱাশিংটন, মে ১৫, (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী মতাংদা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরী মখা তানা শোকচিল্লক্লি হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা পীরদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক হৌজিক চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী-জিনপিংনা ৱারী শাননিংদে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তান চারবদি মহাক্না মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমিগা মরী ফাওবা তৎনবা য়াই হায়খ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা ফোক্স বিজিনেস নেটৱার্ক ব্রোদকাষ্টকী ইন্টরভিয়ু অমদা ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, চাইনানা কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙমখিদবা অসিনা মহাকপু নীংবা কায়হল্লে অমসুং লায়না অসিগী লাইচৎনা হান্না মরু ওইবা এচিভমেন্ট অমনি হায়না ফাওবা ফোঙদোকখ্রবা বৈজিংগা হৌখিবা জনুৱারিদা মহাক্না য়ানখিবা ট্রেদ দিলদা ফাওবা অকায়বা পীরকপা য়ানা লৈরে।

চাইনাগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা ফিভম অসি লাকহন্নবা তৌরম্লোইদবনি। মমাংদা ঐহাক্না মখোয়গা অচৌবা ট্রেদ দিল অমা য়ানখ্রে। অদুবু হৌজিক্তি মতমদুগী ৱাখলদু ঐঙোন্দা চেন্দ্রে। শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিনা নাকল অনীগী মরী পুন্নমক লাকশিল্লকপগী ফিভম লৈরে হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অনীগী মরীগী ৱাফমদা নত্তনা ট্রম্পনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী-জিনপিংগা হৌজিক ৱারী শানবা পামদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

হান্নদি য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক্না প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগা অফবা মরী লৈনৈ হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না চাইনাগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা তৌবা য়াবা কয়া লৈ। মহাক্না লৈবাক অনীগী মরী ফাওবা মপুং ফানা থদৎপা য়াই।

ক্বান্টম কম্প্যুটিং অমসুং আর্টিফিসল ইন্টলিজেন্সকুম্বা নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা ষ্টদি তৌনবা হোৎনরিবা চাইনিজ মহৈরোয়শিংদা য়ু এসনা ভিজা পীরোইদবনি হায়বা রিপব্লিকান সিনেটর অমগী ৱাফমগী মতাংদা হংবদা ট্রম্পনা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরী তৎনবা য়াই হায়বা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না বৈজিংদা লৈবাক অনীগী মরীদা অকায়বা থোকহন্দবা হায়বসিনা লৈবাক অনীগী মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি হায়খ্রে।

# ফিলিপিন্সকী ইথৎশিংদা টাইফুন ভোংফোংনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে



মনিলা, মে ১৫ (এজেন্সি) :
নোংলৈ নুংশিৎকী সিজনগী অহানবা টাইফুন ওইরিবা টাইফুন ভোংফোংনা ফিলিপিন্সকী ইথৎ কয়াদা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা টাইফুন অদু ফিলিপিন্সকী মফম কয়াদা শীৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা কেপিটেল মনিলাদা থুংলবা য়াই হায়না থাজনরি।

ৱেদর সর্ভিস পগাসাগী খ্বাইদগী নৌবা বুলেটিনগী মতুং ইন্না টাইফুন অদুনা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা নুংশিৎশিং অমসুং কল্লবা নোংশিং চেনশিল্লক্লি। মেট ওফিস অসিনা ট্রোপিকেল সাইক্লোন নুংশিৎকী সিগনেল নম্বর ৩ সাউথদর্ন প্রোভিন্সশিং লুজোন ইথৎতা ইশ্যু তৌখি। অমদগী মঙা ফাওবা লৈবা স্কেলদা সিগনেল নম্বর ৩ অসিনা অহুমশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্লি।

মনিলা মেট্রোপোলিটান এরিয়া লৈরিবা সেন্ট্রেল রিজনদা লেভেল অনী ইশ্যু তৌখি। টাইফুন ভোংফোং অকনবা নুংশিৎকী খোঙজেনশিংগা লোয়ননা শীৎচিল্লকখিবা মতুংদা মতিক ময়াই হন্থখি। সামর নোর্টে অমসুং সোর্সোগোন প্রোভিন্সশিংদা টাইফুন অসিনা পৱার অমসুং কম্যুনিকেসন ফেল ওইহনখি। শগোলশেল নুমিত্তা মেট দিপার্টমেন্টনা নুংশিৎকী খোঙজেনগী চাং পুংদা কিলোমিটর ১২৫ ফাওবা রেকোর্দ তৌখি।

# বোর্দর থিংজিনখিবদগী রোহিঙ্গা ১০০০ সমুদ্রদা পন্দুনা লৈরি



জর্কাতা, মে ১৫ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরস চঙহন্দনবগীদমক সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংনা মখোয়গী বোর্দরশিং থিংজিন্নখিবদগী য়ামদ্রবদা রোহিঙ্গা ১০০০ সমুদ্রদা ফাইদুনা লৈরি হায়না ইরাই নুমিত্তা এমনেষ্টিক ইন্টরনেসনলনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মখোয়বু উবা ফংলরোইদবা সমুদ্রগী মোংফমদা মাঙখিদনবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌখ্রে।

ম্যান্মারগী মুস্লিম মাইনোরিটি অমগী মেম্বরশিং ওইরিবা রোহিঙ্গাশিং পুবা হি অনী ইন্দোনেসিয়াগী অসে প্রোভিন্সকী সমুদ্র খোংবান মনাক্তগী লাপ্না লৈ হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা থাজবা লৈরবসু ওফিসলশিংনদি হীরম অসিগী মতাংদা মখোয়দা ময়েক শেংবা ইনফোর্মেসন লৈতে হয়না ফোঙদোকখি।

ইন্দোনিয়ন নেভিগী ৱেষ্টর্ন ফ্লিট অমদি অসেগী দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সি অমদি সার্স এন্দ রেস্ক্যু টিমগী স্পোক্সমেনশিংনা মখোয়না ভেসেলশিং অদুগী মফম কনফার্ম তৌনবা হোৎনরি হায়না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা এপ্রিলগী ময়ায় চনবা শরুক্তগী অতোপ্পা হি অনীদা লাকখিবা রেফ্যুজিশিং বাংলাদেশতা থুংখি। মখোয় চয়োল কয়া সমুদ্রদা চাবা ফংদনা লৈদুনা মশাগী ফিভম চাদ্রবশিংনি। হি অদুদা তোংলকপশিংগী মরক্তগী হিংহৌবশিংনা মীওই কয়া সমুদ্রদা শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী সাউথ এসিয়া রিজনেল ওফিসকী সার্স হম্মাদি কৌবা ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, রেফ্যুজিশিং অদু চয়োল কয়ামুক নৎত্রগা তান চারবদি থা কয়ামুক থক্ল-চানবা অমত্তা য়াওদনা সমুদ্রদা পল্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ। ভর্চ্যুএল ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মহাক্না এন্টি-পিপল স্মাগ্লিং এন্দ ট্রাফিকিং ফোরমগী চ্যের ওইবা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াদা রেফ্যুজিশিং অদুবু মফম চানা অশোয়-

# ৱুহানগী মীশিং শরুক অহুম থোকপগী অমা কোভিদ টেষ্ট তৌরে



বৈজিং, মে ১৫ (এজেন্সি) :
চাইনাদা শন্দোকপা হৌখিবা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী অহানবা ইপিসেন্টর ওইখিবা ৱুহানদা হৌখিবা এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই মিলিয়ন অহুম হেন্না কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌখ্রে অমসুং হৌজিক সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ১১গী মনুংদা ৱাৎহৌরিবশিং টেষ্ট তৌবদা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না ষ্টেট মিদিয়না ফোঙদোকখ্রে।


বিজিনেসশিং অমসুং স্কুলশিং নৌনা থোঙ হাংনরকখিবগা লোয়ননা সিটি অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক টেষ্ট তৌবা লোইদুনা ওথোরিটিশিংনা লাইওং উত্তবা কেসশিংগী মশিং খঙবা ঙম্লগনি হায়না শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ওফিসল সীনহুৱা ন্যুজ রিপোর্টনা হায়খি।

ওথোরিটিশিংনা মরু ওইনা মমাংদা টেষ্ট তৌখিদবা মীওইশিংদা মীৎয়েং থমগনি। মমাংদা ইনফেক্সন কেসশিং লৈখিবা মফমশিংগী মীওইশিং অমদি মীশিং য়াম্না লৈবা মফমশিংদা মীৎয়েং চঙদুনা টেষ্ট তৌগনি হায়না এজেন্সি অসিনা ৱুহান গভর্নমেন্টকী মীফম অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা এপ্রিল ৮ দা সিটি অসিনা অহানবা ওইনা লোকদাউন লৌথোকখিবা মতুংদা অনৌবা ইনফেক্সন খরা দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োলগী অরোয়বা শরুক্তা অনীশুবা লাইচৎ অমা সিটি অসিদা থোক্লগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোকহনখি। ইনৌ নৌবা ইনফেক্সনশিং অদু মমাংদা লাইওং উৎখিদবা টেষ্টশিংনি হায়বদি ভাইরস অসি পল্লবসু ফিভরগুম্বা লাইওং অমত্তা উৎখিদবা মীওইশিংনি।

ৱুহান সিটিগী হেল্থ কম্মিসন্না ফোঙবা নুংতিগী ওইবা রিপোর্টশিংদা যুম্ফম ওইবা এজেন্সিগী কালক্যুলেসনগী মতুং ইন্না সিটি অসিনা এপ্রিল ১ দগী মে ১৩ ফাওবদা পুন্না ন্যুক্লিক এসিদ টেষ্ট ১.৭১ মিলিয়ন পাঙথোকখি। মশিং অসি সিটি অসিগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমনি হায়রি।

# সাউথ-ইষ্ট এসিয়াদা ইন্দিয়ানা কোভিদ কেস খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌই



ন্যু দিল্লি, মে ১৫ (এজেন্সি) :
সাউথ-ইষ্ট এসিয়া লমদমগী মেম্বর লৈবাকশিংগী মরক্তা ইন্দিয়ানা কোরোনাভাইরস কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌবা লৈবাক ওই হায়বসি ইরাই নুমিত্তা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ফোঙবা দেতানা উৎখ্রে।

দেতা অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লমদম অসিদা য়ামদ্রবদা কনফার্ম তৌরবা কোভিদ-১৯ কেস ১২২,২৪৭ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মীওই ৪,০৫০ শিহনখ্রে। লমদম অসিগী অপুনবা কেসশিংগী মরক্তা ইন্দিয়ানা কেস ৮১,৯৭০ গা লোয়ননা মশিং খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌখি।

ইন্দিয়াগী মথংদা বাংলাদেশতা কেস ১৮,৮৬৩ অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা ১৬,০০৬কা লোয়ননা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লমদম অসিগী লৈবাকশিং ওইরি। থাইলেন্দনা কেস ৩,০১৮, মালদিভসনা ৯৮২, শ্রীলঙ্কানা ৯২৫, নেপালনা ২৫৮, ম্যান্মারনা ১৮১, টিমোর-লেষ্টেনা ২৪ অমসুং ভুটাননা ২০ রিপোর্ট তৌখি।

লমদম অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯না মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা লৈবাকসু ইন্দিয়ানা ওইরি। লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা মীওই ২,৬৪৯ হেন্না শিহনখ্রে। ইন্দিয়াগী মথংদা অনীশুবা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা লমদম অসিগী লৈবাক্না ইন্দোনেসিয়ানা ওইরি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবা মীওই ১,০৪৩ হেন্না শিখ্রে।

বাংলাদেশতা লাইচৎ অসিনা মীওই ২৮৩ শিহনখিবগা লোয়ননা থাইলেন্দদা ৫৬, শ্রীলঙ্কাদা মীওই ৯, ম্যান্মারদা ৬ অমসুং মালদিভতা মীওই ৪ শিহনখ্রে। নেপাল, ভুটান অমসুং টিমোর-লেষ্টেদদি হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিবা থোক্ত্রি।

# হরিয়ানানা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংগীদমক বোর্দর হাংখ্রে




গুরুগ্রাম, মে ১৫ (এজেন্সি) :
দিল্লি হায় কোর্টগী দিরেক্সন মতুংদা হরিয়ানা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিং অমসুং ঈ-পাস পায়বা মীওইশিংগীদমক্তা দিল্লিগা লোন্নবা বোর্দরশিং হাংদোকখ্রে।

গুরুগ্রামগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমিট খাত্রিনা ফোঙদোকখিবদা, কোর্টগী ওর্দর ফংলবা মতুংদা মহাক্না লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা বোর্দরশিং হাংদোক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে। বোর্দরদা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোক্লবা মতুংদা গাড়ি কয়া লম্বীশিংদা চেনবা অমদি বোর্দর ফাওদোক-ফাওজিন তৌবা উখি। দিল্লি-গুরুগ্রাম এক্সপ্রেস ৱেগী সিরহাওলগী টোল প্লাজাদা লৈরিবা বেরিকেটশিংদা ভেলিদ আইদেন্টেটি কার্দশিং অমসুং পার্মিসন লেটরশিং উৎনরবা মতুংদা গাড়িশিং অদু বোর্দর ফাওদুনা চৎপা য়াহনখিবনি।

বোর্দরশিংদা দিপ্লোই তৌরিবা হরিয়ানা পুলিসনা দিল্লিদগী গুরুগ্রাম তাবা লম্বীগী লেন অমা হাংখি অমসুং গুরুগ্রামদা চঙগদৌরিবা মীওইশিংবু মপুং ফানা চেক তৌখি। হায় কোর্টকী ওর্দর অদুনা পুলিস পর্সনেল, দিল্লি জল বোদ, এম সী দিগী ইমপ্লোয়ীশিং, দোক্তরশিং, নর্সশিং, পেরামেদিকশিং, মনা-মশিং অমদি হৈ-রা য়োনবশিং অমদি দিল্লিগী ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংদা থবক তৌবা অতৈ মীওইশিংগী অৱাবা কোকহনখি।

দিল্লিগী সাউথ দিষ্ট্রিক্টতা কন্সটেবল ওইবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, দিল্লি পুলিসকী অপুনবা পর্সনেল মশিং ৮০,০০০গী তঙ্খায় অমদি হরিয়ানাদগীনি। অদুনা কোর্টকী ওর্দরনা হরিয়ানাগী বোর্দরশিং হাংদোক্লিবসিনা মহাক্কুম্বা মীওই কয়াদা ময়ুমদা হঞ্জনবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

কোভিদ-১৯গী কেসশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা এপ্রিলগী অরোয়বা চয়োলদা হরিয়ানা গভর্নমেন্টনা বোর্দর ফাওরগা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখিবনি।

# ফরকপগী চাং চাদা ৩৪.০৬ য়ৌরে, দব্লিং রেটসু হন্থরক্লে



ন্যু দিল্লি, মে ১৫ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংদুনা ফরকপগী চাং চাদা ৩৪.০৬ ওইবগা লোয়ননা কেস দব্লিং রেট লোকদাউন মমাংগী চয়োলদা নুমিৎ ৩.৪ ওইরম্বদগী ফিভম ফগৎলক্তুনা হৌখিবা চয়োল অসিদা নুমিৎ ১২.৯ দা লৈরে হায়না ইরাই নুমিত্তা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা অৱাংবা থাক্কী গ্রুপ ওফ মিনিষ্টরস (জি ও এম)গী ১৫ শুবা মীফম মনুংদা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোরোনা পেসেন্ট ১,৬৮৫ মপুং ফানা ফখ্রে। লায়েংবদগী ফরকপগী চাং অসি চাদা ৩৪.০৬ নি।

মালেমগী অমসুং লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯গী ফিভমগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ কেস ৪২,৪৮,৩৮৯ লৈ অমসুং হৌজিক ফাওবদা ভাইরস অসিনা ২,৯৪,০৪৬ শিহনখ্রে। মালেমগী ওইনা লায়না অসিনা মী শিহনবগী চাং চাদা ৬.৯২ নি।

ইন্দিয়াগী ওইনা অপুনবা পোজিটিভ কেস ৮১,৯৭০ নি। শিখিবা মশিংনা ২,৬৪৯ ওইদুনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না নাদুনা মী শিবগী চাং চাদা ৩.২৩ নি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী পেসেন্ট পুন্না ২৭,৯২০ মপুং ফানা নাবা ফরে।

জি ও এমনা লায়না লাকশিন্নবগী ষ্ট্রেটেজি, লায়না অসিগী মেনেজমেন্টগী ফিভমশিং অমদি সেন্টর অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংনা লৌখৎলিবা থৌরাংগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ কেস অপুন্বগী চাদা ৭৯ দি ম্যুনিসিপাল এরিয়া ৩০ দা থেংনৈ হায়না ওফিসলশিংনা জি ও এমদা খঙহনখি।

মাইগ্রেন্ট লেবররশিংনা ময়ুম-ময়ুমদা হন্নরকপগা লোয়ননা মপান্দা লৈরুবশিংনা হন্নরকপদগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা মায়োক্নরিবা শীংনবসু জি ও এমনা খন্নখি।

# কর্নাতকাগী নুপী হেল্থক্যের ৱারিয়রশিং কেস রিৱার্দ পীরগনি




বেঙ্গলুরু, মে ১৫ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা কথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক থবক তৌবা নুপী হেল্থক্যের ৱারিয়র খুদিংমক্তা লুপা ৩,০০০ শেলগী মনা ওইনা কর্নাতকা গভর্নমেন্টনা পীরগনি হায়না ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ থেংনবদা মশাগী ওইবশিং কথোকপগা লোয়ননা ইচং থৌনা থবক তৌরিবা অসা (এক্রিদিটেদ সোসল হেল্থ এক্তিভিষ্ট) ৱর্কর ৪০,২৫০ দা গভর্নমেন্টনা শেলগী মতেং পীরগনি। মসিগীদমক্তা লুপা ক্রোর ১২ খাক্তুনা থল্লে হায়না প্রপোজেন অদুবু ষ্টেট কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখিবা মতুংদা য়েদিয়রাপানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

শাথিরবা লায়না অসিবু মাঙজিন থানা থেংনরিবা ৱারিয়রশিং ওইনা অসা ৱর্কর লিশিং কয়া কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংগী হেল্থক্যেরগী থবক তৌরিবনি। লায়না অসিবু লাকশিনবদা মখোয়না দোক্তর, নর্স, পেরামেদিক চা কয়াদসু মতেং পাংলি। অসা ৱর্করশিংগী কম্যুনিটি অসি নেসনল রুরেল হেল্থ মিসনগী শরুক ওইনা কুমজা ২০০৫ তা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লিংখিবনি।

অসা নুপীশিং কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংলিবা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা দেজিগনেটেদ হোস্পিটালশিংদা থবক তৌই। ষ্টেটনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংগী আইসোলেসন ৱার্দশিংদা লৈরিবা পেসেন্টশিং কুপ্না য়েংশিনবিবগা লোয়ননা মখোয়না কন্টেক্ট ট্রেসিং, টেষ্টিংগী ফিল্ড ৱাক্সতসু থবক তৌই হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। অসা ৱর্করশিং চাংচত্তা থা অমদা লুপা ৭,০০০ ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পীরিবনি। সেন্টরনা শেনফম অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি পুথোক্লি।

অমরোমদা, কর্নাতকাগী মহিসুরু দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ৯০ মক লায়েংবদা ফদুনা হোস্পিটালশিংদা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।